ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ০৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২২৪শুবা মশীং

# মৈগী ফীভম

## উচিদা অমুক হঞ্জিল্লক্লব্রা

লৈবাক অমগী চাওখৎপগী মায়ওন মৈ (ইলেক্ট্রিসিটি), পৱারনা লেপকদবনি। চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়াবদা চেনগদৌরিবা মরু ওইরিবা খোঙ অসি ইলেক্ট্রিসিটিনা ওইগদবনি হায়বসি লৈবাকসিগী ইহান হানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুনা তৎতনা হায়রম্বনি। মোদর্ন দিভেলপমেন্ট অসি ইলেক্ট্রিসিটিদা দিপেন্দ তৌগদবনি হায়বনি। ৱাফমসি নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা লৈবাকসিগী মীয়ামদা হায়রম্বা খ্বাইদগী চুম্লবা ৱাফমনি। মসিমক্না মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অপিকপা সব-কন্টিনেন্ট অমা ওইজরিবা লৈবাক অসিনা শীজিন্নবা কোন্ননবা, মৈগী মথৌ তারকপা হীরমশিংদা শীজিন্ননবা মৈ পুথোকপগী থবকশিং হৌজিক নীংতম্লবা মতুং চহী ৭৫ মপূং ফারবা ফাওবদা লেপ্তুনা হোৎনরিবনি। অদুবু হোৎন-হোৎননা হৌজিক ফাওবদা লৈবাকসিগী চাওখৎ-থৌরাংগীদি লায়রদনা নুমিদাংগী মতমদা ঙালহন্নবগীদমক য়ূমথোঙ খুদিংদা অমত্তা চিথদনা মৈ থালহনবা ঙমদ্রিবনি। অদুবু তোঙান-তোঙানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা লেপ্তুনা হোৎনজরকপগী মহয়না হেন্দোক-পাথোকপগী চাং য়ৌনমক পুথোকপা ঙমজদ্রিবা ওইরগসু লৈবাক অসিগী মৈগী ফীভম শীংথানবা য়ানা ফগৎলক্লবনি। মসিগা ইরোয়ননা মণিপুরগী মৈগী ফীভম হান্নদগী য়াম্না ফগৎলক্লিবসি হৌখিবা চহী খরদগীনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা অতৈ লোয়শঙশিংগুম্না লৈরকপা 'ইলেক্ট্রিসিটি (পৱার) দিপার্টমেন্ট' ফাওবা মণিপুর ষ্টেট পৱার কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম এস পি সী এল) অমসুং মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) হায়বা কম্পেনি অনী থোক্লা খায়দোক্লগা ওন্থোকখ্রে। মৈগী খাজনা থৌনবদা ৱারু-নুংজু থোক্লরম্বা, মৈ হুরাল্লগা থানবা, ইলেক্ট্রিক ৱায়র ককথৎলগা হুরানবশিং, মৈগী মিটর শেমদোক্লগা খদ্রক তৌবনচিংবগী থবক পূম্নমক য়াহন্দনবা অমসুং ঙমহন্দনবা শেলয়াম চঙলবসু চঙনা 'প্রি-পেদ' সিষ্টম হৌদোক্তুনা চৎনহল্লক্লে। মসিনা হান্নদগী লৈরক্লম্বা, থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংদু থোরকহন্দবদা অচৌবা মতেং ওইরে। মৈ লেম্না মাঙদ্রে। য়াম্না তোয়না পুৎ-পা, পুৎ-পা তৌরম্বদুসু তৌদ্রে।

অদুবু মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা হৌদোকচরম্বা অনৌবা সিষ্টমসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসি লিংবা হৌগৎলকপদসু ফজনা মখা চখরমখি। গভর্ণমেন্ট হায়বসিদি কন্টিন্যুইং প্রোসেসনি। অমগী লৈঙাক, অমগী লৈঙাক হায়বা অমা লৈফম থোক্তে, লৈসু লৈতে। লৈবাক মীয়ামগী তৌফম থোকপা থবক থৌরমশিংদি অদুম্মক পাঙথোকফম থোকই, তৌসু তৌরক্লি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিগী মপুন্সি লোইশিল্লক্তুনা অনৌবা মীখল অমগী মতম খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লকপনরা নৎত্রগা নীংথমথা চঙলকপগী হৌনবা নোং চুবা লেপখিবদগী লোক্তাককী ঈমাই হন্থরকপনা লোক্তাক হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টনা মৈ শুংবা ৱাৎলকপনরা মণিপুরগী মৈগী ফীভম উচিদা অমুক হঞ্জিল্লকপগী ফীভম হৌরক্লে। মরম খঙদনা মতম শাংনা শাংনা অমসুং কুইনা মৈ মুৎপগী থৌদোকশিং তোয়না থোকচিল্লক্লে। থৌদোকসি অকক্লবা মফম অমসুং মতম খরগী ওইবা থৌদৌ অমসুং ৱাফম নত্তে। তশেংনা মৈগী খুদোংচাবা হৌজিক ফাওবা ফংজদ্রিবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং য়াওদ্রবসু মৈ ফংলবা মফম অয়াম্বদা থোক্লে। মসিবু করিগীনো? করিদগী ওইরকপনো? থোকহল্লকপনো? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মীয়াম্না পাম্মী। চুম্মী, অকক্লবা মফম অমদা নৎত্রগা খরদা পুং খরগী ওইনা মৈ মমগনি হায়বগী মতাংদদি মাঙজৌননা এম এস পি সী এল/এম এস পি দি সী এলগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা মীয়ামদা খঙহল্লি। অদুবু মসি শুংতৌ তৌদনা তোয়না-তোয়না মুৎলক্লিবসি করিগীনো? হায়বনি। ম্যেন-পৱার ৱাৎপ্রা, ইক্বিপমেন্ট ৱাৎপ্রা? মৈ পুথোকপগী চাং হন্থরকপ্রা, মৈ লৈথোক লৈশিনগী থবক্তা থোরকফম থোক্তবা, থোকহন্নীংদবা করি থোক্লবগে হায়বনি। মসিগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমশিংদি পীরক্লগনু। অৱাই অখুম তৌনবনা কান্নদে। মৈ মুৎপগী থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা পুকচেল শেংনা হোৎনবরোমদা মায় ওনশিল্লু। অন-ওথোরাইজদ কন্নেক্সনশিং লৈহনগনু, শেন্দোংগীদমক খল্লগা মৈ য়েন্থোকপগী থবকসু তৌগনু। মমাঙগী লৈঙাক্না হোৎনজরম্বদু উৎতা ঘি হৈজিনবগুম থোকহনগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

১) *"থাপ্নরিবা"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"মপারি লৈরাংতোন্দা শাৎপা শিংলেনতোন্দা পোকপা উনৌ কোন্দেল্ কোন্না হুন্ শলেন্ লাইফাও থিনবা, খোইয়ম লাইপোক শংশংবা চেংলৌ শক্না হেনবা, পুনুং লিন্না ঙানবা, খোইয়ম লাইবু নীংবগী কোলোই মমিংথোংদি বৃষকেতু তৌনা কৌএ। বৃষকেতু ভক্ত ৱারী লমদাংশাংবু হয়া লাওনা শৈথিরক্কে।"** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোকপনো?

৩) বৃন্দাবনলাল বর্মাগী **"মৃগনয়নী'** হায়বা উপন্যাষ অসি মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) *"সীতা বনবাস"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) *"মহাভারতকী শকুনি অমসুং শকুনিগী ৱাশক"* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মহৈলোয়শঙশিং হাংদোকপগী তঙাইফদবা


**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৭৮**

**জিতেন নামৈরাকপম**

চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং থোকপা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা পাঙথোকপা নিংঙোল চাক্কৌবা য়াম্না ঈংনা-চিক্না লোইশিনখ্রে। হন্দক্কী নিংঙোল চাক্কৌবদা য়াম্না ধুম-ধাম তৌদুনা নিল খোংবগী মমি ইতা তাখিদে। য়াম্না কা হেন্না চাউনা পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইখিদ্রা খল্লি। মসিগী মরম হায়ববু কোভিদ লায়নানা পীরকপা শাফুনা ওইখিবনি হায়নীংই। নিংঙোল ওইবীশিংনা নুমিৎ ৩৬৫নিনা শাবা চহী অমগী মনুংদা নুমিৎ অসিতবু মখূৎ থেক্তুনা পানি-খবা নুমিৎ ওইজরগসু নিংঙোল চাক্কৌদবা ইমুং কয়া অমা য়াওখি। লায়না অসিনা নাহন্দুনা মনুং মতম চাদনা তাইবঙপান অসিদগী মুন্দুনা পুবিখিবা নিংঙোল কয়া য়াওখি। অসিদসু নত্তনা মমা-মপা, মখুরা-মতোন, মবুং-মৌপ্বা নৎত্রগা য়ূমগী অহল-লমন কয়া অমা লৈখিদবনা মরম ওইরগা চাক্কৌখিদবা ইমুং কোঙ্গায় অমনি। নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎতা মতম চাদনা কোভিদ লায়নানা লৈহনখিদ্রবা নিংঙোলনা মশক উবা ফংখিদবদা ইমুং কয়াদদি মিত্তগী পিরাং শিন্থহন্নবা মচাক অমা ওইহনখি। মৈতৈশিংগী অসুক ফজখ্রবা নিংঙোলশিংগা মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংগা থম্মোয়গী মরী হেন্না পুনশিনবা থৌরম অসিবু কোভিদ লাইচৎনা য়ৈখাই থিনগাইবা পীবগী থৌদোকসিমদি ওন্থোক্লা লাইবক থীবনি হায়নীংই।

হৌখিবা মমাঙগী চহী ২০২০গী নিংঙোল চাক্কৌবদদি হায়রিবা লায়না লাইচৎ অসিনা হেন্না কনশিন্না লান্দারকপা, য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদবগী অথিংবসু লৈখিবা মরম্না নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম মীয়াম হুপ্না পাঙথোক্লখিদে। মীশি মীনা থোকপগা মরী লৈননা থোকপা থৌরমশিং শোরাৎ, ফিরোই অমদি লুহোংবনচিংবা পূম্নমক শুপ্নতগী লাইগী তৌদবা য়াদবা থৌরম খরা তৌরগা মীয়াম পুলহন্দনা পাঙথোক্লখি। কলেজা তৌথোকপদা অরেম্বদা শেল হুন্দোকপদা হিদান্নবা ঐখোয়গী ফুরুপ অসি হরাও কুম্মৈদা লংথোকখিগদবা শেলয়াম কোভিদনা মরম ওইরগা শেল লিক্লা চৎহনবগী পারা অমদি তম্বীরল্লে হায়না লৌবসু য়াই। লায়না অসিগী চৈথেংনা য়ৈবদা ঐখোয় পূম্নমক্তা নংহনখিবা অৱা অনা কয়া ঙসিসু লোইবা নৎত্রি। শেল থুমগী ফীভম মালেমগী লৈবাক পূম্বদসু শাথীনা শোকহল্লিবনি। মরক অসিদা নহান্তা লোইখিবা নিংঙোল চাক্কৌবদসু শেল থুমগী অৱাবা লৈখিবা ইমুং কয়া কয়ানি। নিংঙোলশিংদা খুদোল তমগদবা দক্ষিনা মখল মখল অমরোমদসু নিংঙোলশিংনা শেৎ চাগদবা পোৎলম কয়া ময়ূমদা মপামদা পুনবা পোৎ চৈ লৈবদসু শেল ওখাক য়াম্না চঙনরিবনি। ঐখোয়গী নিংঙোলশিংনা মপামদা পুন্নরকপা পোৎলমশিং হান্না তৌনরম্বা মওংদুগা শাথীনা খেন্নবসু উরে। লফোই, সেম, রস গুলা, অচা অথক্কী চাংনা হন্থরগা ইমুং অমদা থম্বদা থা অমা হেল্লবসু মাঙলরোইদবা নুংতিগী শীজিন্নবা য়াবা অচাথাউ, ঙারি, শঙ্গোম পাউদর পেকেট-পেকেট, চিনি, চা মনা, হৱাই মখল-মখল পুনরক্লিবসি য়াম্না ৱাখল তানবগী মওংনি হায়বা য়াই। নিংঙোল ৭/৮না চপ মান্নবা হৈ-রা, অথুম-অয়াক্কী অচাপোৎ, লফোইনচিংবা পোৎ অরৈবমখৈ পুরক্লগা পৎ-পূম্লগা চাবা য়াদদুনা হুন্দোকখিবা অদু থোকহন্দনবা হোৎনবগী মমি তারি। দক্ষিনাগী মতাংদসু থোইদোক্লা হিদান্নবগী মওং উখিদবা য়াম্না চিক্না ঈংনা পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবা ওইখি।

হরাও কুম্মৈনা পরেং লেংদুনা লৈখ্রবা ঐখোয়গী লমদম অসিদা দিৱালি, গোবর্ধন পুজা, নিংঙোল চাক্কৌবা অহুম অসি চহী খুদিংগী থংন-থংননা অদুম্মক তাদুনা লাকখ্রবনি। গোবর্ধন পুজা হায়রগা মতম অদু খল্লুবদা নুংশিরকই। অয়ূক্কী মতমদা ষণ পুজা তৌদুনা হায়রিবা জীব অসিদা ইকায়খুম্নবা উৎপা, মাবু অসুক্কী মতিক লুনা লৌদুনা মখোয়দা নুংশিবা, ইকায়খুম্নবা উৎপগী নুমিৎ অমনি হায়না খঙনখি। মসিগী অকূপ্পা ৱারোলদি হিন্দু ধর্ম্ম চৎপশিংগী ওইবা ৱারী অদু পুশিঞ্জররোই। অখঙ অহৈশিং, গৌরিয়া ধর্ম্মদা লুপচবশিংগী অকূপ্পা ৱারীশিং থমখ্রসনু। হায়রিবা ধর্ম্মদা লুপচবশিংগী অকূপ্পা পুৱারীশিং থমখ্রসনু। হায়জনীংলিবদি গোবর্ধন পুজাগী নুমিৎতা ষণ পুজা তৌবা, মঙকশমদা সনারৈ পরেংগী লৈ পরেং হুকপীবা, শিন্দুর নম্বীবা, য়াংকোক অমদা চেঙ, ফৌ, মানা চাগদবা অশংবা মনা হাপ্পীবা, মঙোন্দা নোল্লুকচবনা মরু ওইবা থৌরম ওইখিবনি। মতমদুদা ঐখোয়গী ইস্কোলগী অকোয়বদা য়েন্থৌ পান্বী য়াম্না হৌরম্মী। মদুগী মনা অদু খুদাপ খুদাপ থাবিবা মতমদা ঐখোয়না লোয়জবা মৈতৈ ষণ শঙ্গোম শুন্বীদুনা য়াম্না পাম্না চাজবদু ঙসিসু কাউবা ঙমদে। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদদি মতমগী মতুংইন্না ষণ লোয়বা য়ূম লৈশিল্লক্তবনা গোবর্ধন পুজা তৌবগী ৱারী তাখদ্রে। ওন্থোক্লা মমি শামখরে। হৌজিক্কী অঙাংশিংনা খঙলরোই।



মরক অসিদা খ্বাইদগী হেন্না লাংবা হরাউ তরাম্বা ফোঙদোকপা মখলগী কুম্মৈদি দিৱালিগী কুম্মৈ অসিনি হায়বা য়াই। মৈগী কুম্মৈগী নুমিৎ অসিগী মাঙওইননা অমদি মতুং তারকপদসু দিৱালি খাওবা, শেল থাবা, মীয়াম্না জ্বারগী কুম্মৈ ওইহনখ্রবা অসিসু ওন্থোকপা মখলগী কুম্মৈ ওন্থোকপীখ্রে। শেল থানবদা মাঙবা, তোংবা, পুলিসনা দিৱালি খাওবা, থুগায়রম্বগী ৱারীতনা লৈরক কোন্সাং নিনখি। দিৱালি খাওবা, থাবা ইশামক্কী ওইনদি ওন্থোক্লা পামজখিদ্রবা গেমল্লিং মখলনি। ইথৌ ইরৈ লৈতনা মীরক খায়দুনা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা হৈনদবা য়াম্না ফাওখি। মচানুপানা দিৱালি খাওরগা অপোকপা মপানা শেল তম্লগা মমাদুনা ফম্লগা য়েংবতা নত্তনা শেল থাবা থেংনরকই। হৈনদবগী ৱা হায়বু দিৱালি খাওরিবা মফমদুদা হুপচিন্দুনা শেল থানরিবা মরক্তুদা মনেম, মকু, মমৌ, মচা-মশু, মখুরা, মতোন অমত্তা মেন মান তানদবীনি। ওন্থোক্লা থৱায় য়াওনখ্রে। মদু উরুবা মতমদা হঙ্গোইবা অমদুম পোকখি। মসিমক্তি ঐখোয় চাওখৎলকপগী ৱা লৈতে। দিৱালি খাওরিবা, জর্দাদা পূক্লিং লুপ্লিবা অঙাংশিং অদুগী তুংগী লম্বী কমদৌরক্কনি। মখোয়না তুংদা আই এ এস, আই পি এস, ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়র ওইরকপগী ৱাদি লৈতে। মতিক চাবা মী অমা ওইবগী মহুত্তা মতিক চাদবা মীওই ঙাক্তা ওইরক্কদবা মানশিল্লকই। মসিমক্তি ওন্থোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। অঙাং মচা, পুমকক চাওবা, পাখঙ ফারবা, লৈশাবী মচা, মৌ ময়ামসু ওমশিল্লক্তুনা দিৱালি থাবদু ঐঙোন্দদি নুংঙাইতবা ফাওখি। মদু অফবা থবকনিদি হায়নীংদে।

কোভিদ অমসুং কুম্মৈ মরকসিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতবদি মহৈরোয়শিংনা চহী অনীরোম ফানিংচিৎ মহৈ লোয়শঙদা চৎতুনা মহৈ তম্বা ফংদবা অসিনি। হৌজিক্কী অঙাংশিং স্কুল, কোলেজ চৎপগী, ক্লাস রুমদা ফমদুনা ওজাগা হকথেংননা লাইরিক তম্বগী মহাউ কাউথোক্লখ্রে। ওনলাইনদা মমা মপাগী মতেং লৌরগা শিল্লগা পরিক্ষা থাবগী ফীভমদা লৈনখ্রে। অঙাংশিং ঙাউচৎনরে। হৌজিক্তি কোভিদকী ফীভম হন্থরল্লবনিনা অতৈ ষ্টেটশিংদা মহৈলোয়শঙ হাংদোক্লবগুম কন্দিসন খরগী মখাদা এস ও পি ঙাক্তুনা স্কুল কাহন্দুনা কন্টেক্ট টিচিং লর্নিং প্রোসেস হৌহন্দুনা অঙাংশিংদা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা য়াদ্রিব্রা। কৈথেল হাংলে, মীয়াম তিনবা মফমশিং হাংদোক্লরে, ভোটকী মীটিংদসু মী ফজনা তিল্লে। অথুবা মতমদা স্কুল হাংদোক্তুনা হান্নগী ফীভমদা লাক্লবগী তাঞ্জা অদু লাক্লে। হীরমসোমদা পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৪৩

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

খুদম ওইনা, ফান্দোং চীং (কাইনা) দা হৌরম্বদগী য়ানবা থৈবোং পান্বীদগী শাখিবা হিন্দু লাইশিংসিগী শকপালশিং (মুর্ত্তিশিং) শাদ্রিঙৈদা অমাইবনা, পেনা খোংবশিংনা হান্না ঈরাৎ ইশোন তৌরগা থৌগল চংজদুনা হায়জবদগী ইবুধৌ পাখংবনা য়াবিদুনা লম মতেক অনীগী মমিংশিং - উরুপ (উ লুপফম) অমনা মৈরা/বর্তি কৎলুবদগী তাওখৎলকখিবা মফমদুবু হিন্দুগী লোলদা চিংশিল্লগা অরাপতি (আর্টি কৎপদগী) থোনখিবা লৈখ্রে। ইনাৎকী ওইনা থৌরম (অচৌবা/অরুবা) অমা তৌবগী লোইশিল্লকপদা উচালগী মৈরা কৎপা তৌনবসি হিন্দু লাইগীদনা বর্তিদা মৈচাক ওইনবা ঘী তৈশিল্লগা অদুম তৌই হায়বসি অদুম উই, খঙই। হৌখিবা মতম ফনা কুইবসিদা অঙম্বা মতমদুদা পানখিবা নিংথৌ/মহারাজ/মৈদিংঙু খরগী সনা য়াথংদগী ঈনাৎকী থৌরম কয়া নমথদুনা/নমশিল্লগা থম্লুবা কয়াশিং হৌজিক্তুদি মতমগী য়াওলনা য়ারকত্রদনা হান্নগী অশেংবা পরম হায়বদি ইবুধৌ পাখংবদগী হৌ-খবদু কনানা খঙনি ইবুধৌ পাখঙবগীদা ওইনা ঈরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোরকপসু। লাৎনরিবা লাইশিংগী অশেংবা মশক মওংসি কনানো/করিনো হায়বসি লৈবাকসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্লা পূন্না থিজিনমিন্নদুনা খঙবা মতমদা মীরম লাই অশেঙবা অমত্তা লৈতে হায়বসি শোয়দনা খঙগনি। মীরম লাইনীংগী ফিদা কন্নবা/ঈহৌ কনখৎলকপগী মখা পোন্না ইরমদমসিদগী মীরম লাইশিং অমদি লাইনিং মমি শাম্লক্লবগী অচৌবা মরম ওইরক্কনি হায়না লৌবদা লানগনি থাজদে। মতমদু ৱারবসু ৱানা ঙাইমিন্নবা তাবনি। মরী লৈনবা অহল লমনশিংনা/অখঙ অহৈশিংনা খঙবা ৱারমগনি হায়না চেকশিন্না হায়রম্বশিং খঙবা শোয়দনা খুন্নাইদা লৈরিবনি। কনানো হায়বদবু খঙদবগী ৱাতনি।

মহৌশা লাইরেম্বী ইমাগী কায়ফদ্রবা শক্লোনশিং - য়েন্নিংথা, কালেনথা, নোংজুথা, নাকেন্থা, নিংথমথা, অশিৎ অৱানথা লাক্তবা হৌনদে। অদুবু লৌশিং লৈবা মীওইশিংগী মরক্তগী মশাগী ওইজবা থিবা, ৱাখল থেনবা খরনা শেরান তুরান তৌরুবদগী মালেমগী মীয়াম পূন্না ৱামিন্নবনি। অদুবু অওনবা খরা লৈরবসু পুম্মাং মাঙবদি য়াদবনা অচুম্বা/মশাগী ওইফম থোকপদুদি অদুম খরা থেংলবসু থেংনা লাক্কনি/হল্লক্কনি। খুদম, মরূ ফুক্তুনা, মপাল মরা শিংগুপ-শানা ককথৎতুনা লোইনমক মাঙহনবা নত্তবা পাম্বীশিং, নাপী-শিংবী মখৈ মকুম মথা হায়বদি মতম শুরবা মতমদা অমুক্তি শোয়দনা অনৌবা ময়োল চোংলক্কনি। মসিবু ঈনাৎকী পুয়াদা/লাইরিক্তা হায়রম্বা 'অরিবা মরূদগী অনৌবা মরূ ইহুল তম্লক্কনি।" অদুগুম্বা হায়রম্বা কুমজা কুমশিং য়ৌরক্লবনি হায়বসি খঙহন্নবা মথং মথং শাফোংনবগী পোরমশিং য়াৎলক্তুনা থৌরমগী পোশিং মশা মতোমতা কাংহল্লকপনি হায়দবা য়ারোই। খুদম খরা ওইনা হন্দক মেরা থানুংদা থোকপা থৌদোক/ৱাফম খরা পঞ্জগে। তাং ১৪/১০/২০২১, মেরাগী ৯নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী ইমাগীদা পাঙথোকখিবা কুমারী ঈরাৎ থৌনিবদা তৌখিবা মওংদুনা উৎলক্লিবা অশেংবদু করিনো হায়বসি খন্নীংঙাই মরম ওইরকই। (ফোটোগা কোন্ননা হুইয়েন লানপাউগী তাং ১৫/১০/২০২১দা ফোঙ-খবা)। অনীশুবদা তাং ১৫/১০/২০২১, মেরাগী ১০নি পানবা ইরাই নুমিৎতা লৈবাক নিংথৌগী মশিল অমা ওইবা হান্নদগী হৌনা পাঙথোক্তুনা লাকপদা সনা কোনুং (উত্রা শঙলেন সনা কোনুং হায়না খঙনবগী) গী পিবারেন ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা (হৌজিক্লা রাজ্য সভাগী এম পি ওইবিরিবা) অমদি চৎনবীগী মতুংইন্না য়াওফম থোকপা অতৈ অঙম অথৌ/অঙোম নিংথৌ, অকল অথৌ কয়াগা লোয়ননা 'ক্বাক তানবগী থৌরম' পাঙথোকখিবগী ফোটোগা কোন্নবা ৱাফম পাউচেসিগী তাং ১৬/১০/২০২১দা ফোঙখিবা লৈখ্রে। পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি মরমচৎ ফত্তবা ক্বাকপু (উচেক) হান্না ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ক্বাকচাক থাদুনা পুলহল্লগা মেরাগী ১০নি পানবা নুমিৎতনা ক্বাকশিংবু পাইহনখিনবা অহৌবা খোঞ্জেল অমা শীজিন্নরগা তানবদা ক্বাকশিংনা(উচেকশিংনা) পাইখিবা মায়কৈগী মতুংইন্না লৈবাক নিংথৌগী অমদি লৈবাকসিগী ওইনা লাক্কদৌরিবা মথংগী চহীদা/কুমজাদা করি করম্বা অফবা-ফত্তবা ওইগদগে হায়বা খুদম চাংদম য়েংনবা/খঙনবা অদুগুম্বা ক্বাকশিংনা পাইখিবা মায়কৈগী পাউ লৈবাক নিংথৌদা (হৌজিক্কী ওইনদি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবদা) তম্বগী চৎনবীগী থৌরম/কুম্মৈ পাঙথোকপসিনি।

মথক্কীসিদগী খরা নাথৈরগা অনীশুবা চপ মান্নবা মেরাগী ১০নি পানবদা চপ মান্নবা মওংদা লৈবাকসিগী কষ্টমগী মকোক ওইরিবা ইনিংথৌ য়াওদবিদা মীরমগী মমিং 'যত্রা' হায়বসি পকশিল্লগা 'ক্বাক যত্রা' হায়দনা মীরম লাইনীংদা চিংশিন্নবা চহী কুমজা কয়াদগী (কোন্না অথেংবা হিন্দু লাইনীং চঙশিল্লক্লবা মতুংদা) পাঙথোক্তুনা লাকখিবসি হন্দক্তি 'যত্রা হায়বা ৱাহৈসিগী মহুৎতা তানবা' হায়দনা ওন্থোক্লগা- মণিপুর চৈরাপ লোয়শঙ - রোয়ল পেলেস, জি টি বি ইম্ফাল মণিপুর 'ক্বাক তানবা পাঙথোকখ্রে' হায়না লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে অমগী তাং ১৬/১০/২০২১দা ফোঙখিবদা মখা তানা - অমুবা মচু শংলগা - 'উচেকনা পাইখিবগী মায়কৈ চাকতাখিবা মায়কৈগী ফল :-

ক্বাক তানবগী ফল/মহয় : মখাদা চাক্তাবা উচেক্লা চীংখৈ পাংনা পাইখিদুনা অৱাংদা চাকতাই। লৈবাক নিংথৌ চাওখৎকনি অওনবা চাওখৎপা খুন্নাই ওই। মহৈ মরোং চুমগনি।" হায়না পাউচেদুদা ফোঙখিবদুদা - কষ্টমগী চৎনবীগী মতুংইন্না কষ্টমগী মকোক ওইরিবা পিবারেল/নিংথৌদা পাউদম্বা হায়বা মতাংসিমদি য়াওদবনা - লমদমসিদা হীরম অমদা মানা মানা থোকপা অনী থোকপগী মচৎ অমা লৈবগুম তৌবসি তৌহন্নীংদে। হৌখ্রবদি হৌখ্রে, লাক্কদবা মতুং তারকপদা চপ মান্নবা লৈবাকসিগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরম/কুম্মৈশিংদা অরিবা মতমদগী হৌনা চৎনরকপা মওংদা পাঙথোকমিন্নরগা হৌরক্লোনগী অশেংবা মশক (আইদেন্টিটি) মীরম মচাশিংদা তাক্লবা হোৎনবদা মীতোপ্লা ঐখোয়বু ইকায়খুম্নরবা অমদি মান্নবা থাক্তা শকখঙ মায়খঙগনি হায়না থমজগে। মীগী লাইনীং লিচৎ চৎলগা মীগী মরোল ঙাঙবদা ঐখোয়বু মীতোপ্লা থোইনা লূম্না লৌরোই। করিগী, মীনাই ওইরুবনা। ●